# কম্মান্দোশিংগী ওপরেসনদা জিহাদিষ্ট ২৫ হাৎখ্রে



বৈরুট, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী) :
রশিয়ন ৱারপ্লেনশিং অমসুং হেলিকোপ্টরশিংনা বেকিং পীদুনা সেন্ট্রেল সিরিয়াদা চথখিবা কম্মান্দো ওপরেসন অমদা ইস্লামিক ষ্টেট জিহাদিষ্ট গ্রুপকী মেম্বর ২৫ হাৎখ্রে হায়না মোনিটর অমনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

রেজিমগী মীচং রশিয়াগী সপোর্টকা লোয়ননা সিরিয়াগী আর্মিনা লৈবাক অসিগী ময়াই থংবা শরুক্তগী ইরাকি অমসুং জোর্দানিয়ন বোর্দরশিং ফাওবা শন্দোক্লিবা চাউরবা লৈকংলাগী লমদমবু অমুক হন্না খুদুম চন্নবা থা অমা চুপ্পা লান শোক্লরকখি।

হোম প্রোভিন্সকী অৱাং নোংপোক্তা রশিয়ন ৱারপ্লেনশিং অমসুং হেলিকোপ্টরশিংনা শৌগৎপা সিরিয়ন রেজিমগী ফোর্সশিংনা থাংজ নুমিৎতা চথখিবা কম্মান্দো ওপরেসন অমদা আই এস আই এসকী মেম্বর ২৫ হাৎখি অমসুং অতৈ কয়া অশোক-অপন নংখি হায়না মোনিটরিং গ্রুপ সিরিয়ন ওবজর্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোকখি।

রেজিমগী ফোর্সশিংগী মীওই ৬ সু ওপরেসন অদুদা শিখি হায়নসু গ্রুপ অসিনা ফোঙদোকখি। মিলিটরি সোর্স অমগী মতুং ইন্না, ওপরেসন অদু দৈইশ (আই এস আই এস) না কন্ট্রোল তৌবা মফমদা কিলোমিটর ২০ হাইজিল্লগা পাঙথোকখি।

রেইদ অদুনা রেজিমগী ফোর্সশিংবু এরিয়া অদুগী ভিলেজ অহুম কন্ট্রোল তৌবা ঙমহনখি হায়না ওফিসল ন্যুজ এজেন্সী সানানা সোর্স অদু পল্লদুনা হায়খি। আর্মিনা প্রোভিন্স অদুদা জিহাদিষ্টশিংনা খুদুম চল্লম্বা পাক চাউরবা লম কয়া অমুক হন্না পায়শিনখ্রে। ওবজর্ভেটরি অসিগী মতুংইন্না, হৌজিক আই এস আই এসনা হোমসকী নোংপোক্তা শুপ্পগী খুংঙ্গং দজন খরা কন্ট্রোল তৌরি।

সিরিয়ন 'বাদিয়া' অসি স্কৱার কিলোমিটর ৯০,০০০ (স্কৱার মাইল ৩৫,০০০) রোম পাক-শল্লিবা অচৌবা লৈকংলাগী লম অমনি।

কুমজা ২০১৫ দগী বাদিয়াগী অয়াম্বা শরুক আই এস আই এসনা পায়শিনখি। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা মে থাদগী সিরিয়ন আর্মিনা মচেৎ মচেৎ অমুক পায়শিল্লকখি। রেজিমগী ফোর্সশিংনা আই এস আই এসপু হোম প্রোভিন্সকী জিহাদিষ্টনা পায়শিনবা অরোইবা টাউন ওইরিবা অল-সুখনাদগী তকথোকখি। প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদতা লোয়েল ওইবা ফোর্সশিংসু য়ূমথংনবা রাকা প্রোভিন্সকী খাদা জিহাদিষ্টশিংগা লান্থেংনরিবনি।

চৈরকসিদা য়ু এসনা শৌগৎপা কর্দিশ অরাব এলাইঅন্সনা প্রোভিন্সিয়ল কেপিটেল রাক্কা সিটিবু আই এস আই এসতগী অমুক হন্না লৌশিন্নবা লাল শোক্লরি হায়রি।

# পাকিস্তানগী বালোচিস্তানদা মোটোরবাইক তোংলগা সুইসাইদ এটেক চথখ্রে, মীওই ১৫ শিখ্রে, ৪০ শোক্লে

ক্বেটা, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী) :
হৌখিবা থাংজগী অহিংদা পাকিস্তানগী সাউথৱেষ্ট বালোচিস্তান প্রোভিন্সতা সুইসাইদ বোমর অমনা আর্মিগী ট্রক অমদা টার্গেট তৌদুনা এটেক চথবদা লান্মী ৮ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৪০ অশোক-অপন নংখ্রে। থৌদোক অদু ট্রক অদুনা ক্বেটাগী পিসিন বস ষ্টোপ ফাওরকপদা থোকখিবনি।



অশোকপশিংদু খুদক্তা ক্বেটা সিভিল হোস্পিটালদা পুখৎখি। বালোচিস্তানগী হোম মিনিষ্টর সরফাজ বুগতিনা হায়খি, ঙসিগী থৌদোক অদুদা মীওই ১৫ শিরে হায়না কনফার্ম তৌরে। য়ামদ্রবদা অতৈ মীওই ৩২ না অশোক-অপন নংখি

'মোটোরবাইক তোংবা নুপা অমা আর্মি ট্রকতুগী মনাক্তা থৌজিল্লকখি অমসুং মশা মথন্তা পোকখায়জখি' হায়না বোম দিজপোজল স্কৱাদকী সিনিয়র ওফিসল অমনা দোনদা ফোঙদোকখি। সুইসাইদ এটেক অদুদা এক্সপ্লোসিভস কিলোগ্রাম ২৫-৩০ রোম শীজিন্নখি হায়নসু দোননা মখা তানা ফোঙদোকখি। বোম পোকখায়বগী মখোলদু অদুক্কী মতিক হৌখি মদুদি সিটি শিন-থুংনা তাবা ফংখি।

পোকখায়বগী চাং য়াম্না ৱাংখিবনা মরম ওইদুনা মফমদুদা খুদক্তা চঙশিনখিবা ফায়র টেন্দর অহুন্নসু মদু মতম চানা লাকশিনবা ঙমখিদে। বোম পোকখায়ফম অদু বালোচিস্তান এসেমব্লি, ক্বেটা লো কোলেজ, প্রাইভেট হোস্পিটাল অমা অমসুং অতৈ ওফিস কয়াগা নক্লখি।

পাকিস্তান মিলিটরিগী পব্লিক রিলেসন্স ডিপার্ট-মেন্টনা হায়খি মদুদি, এটেক অদুদা সিক্যুরিটি ওফিসল ১০ শোকখি। ব্লাষ্ট অদুদা মৈ হৌগনবা এক্সপ্লোসিভ শীজিন্নখিবা মরম্না মনাক্তা লৈবা ভেহিকল কয়া মৈ চাকখি হায়না ইন্টর সর্ভিস পব্লিক রিলেসন্স (আই এস পি আর) না ফোঙদোকখি।

এটেক অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা টেরর আউটফিট অমৎতনা ক্লেম তৌরক্ত্রি। চাইনিজ ন্যুজ এজেন্সী সিনহুৱানা এক্সপ্লোজন অদুদা কার অনী, রিক্সো মরি অমসুং মোটোরবাইক অনী মৈ চাকখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

সিক্যুরিটি পর্সোনেলনা বোম পোকখায়ফমদু থিজিনবা হৌখ্রে অমসুং ব্লাষ্টতুগী মতুংদা মফমদুদা ইমরজেন্সি লাউথোকখ্রে।

মদু সিটি অদুদা পাঙথোক্লদৌরিবা নীংতম নুমিৎকী থৌরমশিংদা অকাইবা পীনবা হোৎনরকপা অমনি হায়না দোননা চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ জেনরেল কামর জাভেদ জজৱাগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি। অসিগুম্বা শিংনবশিংনা আর্মিগী ফিরেপ চাং তাহনবা ঙল্লোই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা বোম পোকখায়ফম এরিয়া অদুদা য়েংশিনবা চৎপদা ক্বেটাগী সিক্যুরিটিগী ফিভম রিভিয়ু তৌগনি অমসুং তুংদা মদুগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরদা ব্রিফ তৌগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর হাউসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। চৈরকসিদা, পাকিস্তানগী প্রসিদেন্ট মামনূন হুসাইননা ক্বেটাগী সুইসাইদ এটেক অদুবু কন্দেম তৌখ্রে।

# নেপালদা ঈচাও অমসুং চীং নিংখায়বদা শিখিবা মীগী মশিং ৪৯ য়ৌখ্রে, কয়া অমা থিবা খঙদ্রে

কথমন্দু, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী) :
নেপালদা নোংমাইজিং নুমিৎতা নোং কন্না চুবদগী ঈচাও অমসুং চীং নিংখায়বা কয়া পাক-শন্না থোকখ্রে অমসুং নুমিৎ হুম্নি অসিদা নোং-চীংগী ফিভম কা হেন্না ফৎতবদগী শিখিবা মী মশিং ৪৯ য়ৌখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি।



মীওই ৩০ দগী ৪০ রোম থিবা খঙদনা লৈবনা অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই। অতোপ্পা মীওই ১৭ সু অশোক-অপন নংখি হায়রি।

মরুওইনা লৈবাক অদুগী খা থংবা তম্পাক্কী শরুকশিংদা নোং কা হেন্না কন্না চুবদগী মীওই ৫০০০ শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা থাংজদা ঈচাও অমসুং লেন্দস্লাইদশিংদা মীওই ৩০ হেন্না শিখি। আর্মি অমসুং পুলিস পর্সোনেলনা মখা তানা সর্চ অমসুং রেস্ক্যু ওপরেসনশিং পাঙথোকখি। য়ূম ৩৪,০০০ হেন্না ঈশিং থুমজিনখ্রে হায়না ওফিসল অদুনা মখা তাখি।

হোম মিনিষ্টরগী তেংবাংলোই লক্ষ্মী পুননা রোইটর্জদা হায়খি মদুদি, 'অরোইবা মশিং লেপ্পবা হোৎনরিবনা অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই। ডিজাষ্টর অদুনা চাওরাক্না মীওই ১০০,০০০ শোকহনখি হায়না রেদ ক্রোসনা পাখি। ওফিসল অমনা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা করম্না ঈ-পাউগী মরীশিং অমসুং ইলেক্ট্রিসিটি থদৎখিবগে হায়বদু ফোঙদোকখি। মীশিংবু কন্নবা হোৎনবা অমসুং ময়ূম-মকৈ লৈহন্দ্রবা মীশিংদা চীঞ্জাক অমসুং ঈশিংগুম্বা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকপদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি হায়না ওফিসল অদুনা মখা তাখি।

লৌউ-শিংউবগী মপান তাঙবা নেপালগী ওইনদি জুন থাদগী হৌখিবা অমসুং সেপ্টেম্বর ফাওবা চুগদৌরিবা কুমগী নোং য়াম্না মরুওই, তৌইগুম্বসুং মখোয়না চহী খূদিংগী অমাঙ-অতা কয়াসু থোকহল্লি।

# কেনিয়াদা মীখল মতুংগী ঈরাংদা মীওই ১১ শিখ্রে

নাইরোবী, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী) :
প্রসিদেন্ট উহুরু কেনয়াতানা কেনিয়াগী প্রসিদেন্টকী মীখলদা অমুক হন্না মায় পাক্লকখিবদা লৈবাক অসিগী নোংচুপ থংবা সিটি কিসুমু অমসুং কেপিটেলগী স্লম এরিয়াশিংদা খোইরাং খোইশাওননা প্রোটেষ্ট তৌরিবশিং লাকশিন্নবা হোৎনবদা কেনিয়ন পুলিসনা য়ামদ্রবদা মীওই ১১ হাৎখ্রে হায়না ওফিসলশিং অমসুং ৱিটনেসশিংনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।



নাইরোবীগী মাথারে স্লমদা অহিংদা কাপ্পুনা হাৎখিবা নহা ওইরিবা মীওই মাপনগী হকচাংশিং সিটিগী মোর্গতা পুরকখি হায়না সিক্যুরিটি ওফিসল অমনা রোইটর্জদা ফোঙদোকখি। মীওইশিং অদু লুট-পাট তৌবগী মায়োক্তা চথখিবা ওপরেসনশিংদা পুলিসনা হাৎখিবনি হায়না ওফিসল অদুনা মখা তাখি।

তোঙানবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা মাথারেদা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমা পুলিসনা কাপ্পদা শিখ্রে হায়না ৱিটনেস অমনা ফোঙদোকখি। মফম অদুগী মীওইশিংনা মশাগী চহী ৭২ শুরবা ওপোজিসন লীদর রেলা ওদিঙাবু শৌগৎখি। লূচিংবা অসিগী পার্টিনা লৈবাকপোকপগী মীখল অদু নমথাক্লি হায়না ফোঙদোকখি।

চহী ১০ গী মমাঙদা মীখল মতুংগী কাঙলূপকী ঈরাংগী মফম ওইরিবা কিমুসুদা রোইটর্জগী পাউমী অমনা হায়খি মদুদি, ঈরাং লাকশিনবদুদা টিয়র গেস অমসুং লাইভ রাউন্দশিং কাপখি। নোংমৈ কাপ্পদুদা মীওই অমা শিখি হায়না গভর্নমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

কেনিয়াগী ইলেক্সন কম্মিসননা ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা প্রসিদেন্ট কেনয়াতানা চহী মঙাগী টার্ম অমসু অনীরকশুবা ওইনা পায়রগনি হায়না লাউথোকখিবদগী ঈরাং হৌরকখিবনি। ওপোজিসন কাঙবুনা মীখলগী রিজল্টশিংদু নমথাক্লি, শেমজিন-শাজিনবা কয়া য়াওই হায়না মরাল শিখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্টর ফ্রেদ মাতিয়াঙ্গিনা ঈরাংদু শুপ্পগী মফম খরদা থোকপনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা থাঙ্গৈ শেংবা পোলিটিকেল প্রোটেষ্ট নৎতে ক্রিমিনেলশিংগী খূৎনি হায়খি।

# মেক্রোননা পুক্লিং ফাথনবা হায়খ্রে


*পেরিস, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী) :*
*ৱাশিংটন অমসুং পিয়োংয়াংগী মরক্তা ৱাহৈগী লাল কনখৎলক্লিঙৈগী মরক্তা নোর্থ কোরিয়াগী ৱাথোক্তা টেন্সন হেনগৎহন্নবা হোৎনবগী মায়োক্তা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইম্মানুঅল মেক্রোননা থাংজ নুমিৎতা চেকশিনৱা হায়খ্রে।*

*ৱারোল অমদা মেক্রোননা নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী বলিষ্টিক মিসাইল অমসুং ন্যুক্লিয়র খুৎলাইগী অকিবা কয়া পোকহনবগী মতাংদা নুংনাংবা উৎলদুনা হায়খি মদুদি, পিয়োংয়াংবু কন্দিসন অমৎতা থমদনবা ৱারী শানবগী লন্বীদা লাকহন্নবা ইন্টরনেস্নেল কম্যুনিটিনা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।*

*ক্রাইসিস অদুদা পুক্লিং ফাথনবা লাউরিবা মালেমগী লূচিংবশিংগী মনুংদা মেক্রোনসু য়াওশিনখি। হন্দক নুমিৎ খরনি অসিদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং পিয়োংয়াংগী মরক্তা চথরকখিবা ৱাহৈগী লালশিংনা মালেম পুম্নবু নুংনাংহনখি।*

# অফঘানিষ্টানদা এয়র ষ্ট্রাইক চথবদা ইস্লামিক ষ্টেটকী সিনিয়র কম্মান্দর কয়া শিখ্রে : য়ু এস মিলিটরি

কাবুল, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানদা য়ু এসনা এয়র ষ্ট্রাইক চথবদা ইস্লামিক ষ্টেটকী সেন্ট্রেল এসিয়ন এফিলিয়েটকী সিনিয়র মেম্বর কয়া শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।



শগোলশেন নুমিৎতা চথখিবা এটেক অদুদা য়ু এস মিলিটরিনা ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এণ্ড সিরিয়া খোরসোনগী কুনার প্রোভিন্সকী এমিরনি হায়না শক তাকখিবা অব্দুল রেহমন কৌবা অমা শিখি হায়না কাবুলদা লৈবা কম্মান্দগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

অব্দুল রেহমন শিখিবা অসিনা আই এস আই এস - কেগী সিনিয়র লীদরসিপতা অমুকসু চৈথেং পীরে হায়না অফঘানিষ্টানদা য়ু এসকী সিনিয়র কম্মান্দর ওইরিবা জেনরেল জোন নিকোল সনা হায়খি।

ইষ্টর্ন কুনার প্রোভিন্সকী এয়র ষ্ট্রাইক অদুদা শিখিবশিংদুগী মনুংদা আই এস আই এস - কেগী অতৈ সিনিয়র মেম্বর অহুমসু য়াওখি।

নিকোলসননা চহী অসিদা অফঘানিষ্টানদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিং মায়থীবা পীগনি হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকখ্রে। গ্রুপ অদুগী এমির অবু সয়েদ হৌখিবা জুলাইদা কুনারদা লৈবা মহাক্কী হেদক্বার্টর্সতা চথখিবা ষ্ট্রাইকতা শিখি। মহাক হৌখিবা ২০১৬ কী জুলাইদা অফঘানিষ্টানদা হাৎপা ইস্লামিক ষ্টেটকী অহুমশুবা এমিরনি।

হৌখিবা এপ্রিলদা নিকোলসননা য়ূম্লোন্নবা নঙ্গারহর প্রোভিন্সতা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটকী পোজিসনগী মায়োক্তা পাউন্দ ২১,৬০০ (কে জি ৯৭৯৭) কী মাসিভ ওর্দনান্স এয়র ব্লাষ্ট অমা ডিপ্লোইদ তৌখি। মদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌজিক ফাওবদা লালদা শীজিন্নখিবা খ্বাইদগী চাউবা কনভেনস্নেল খুৎলাইশিংগী মনুংদা অমনি।

হৌখিবা থাংজদা নঙ্গারহরদা য়ু এসনা এয়র ষ্ট্রাইক চথবদা নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওনা মীচম ১৬ শিখ্রে হায়না অফঘান ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি, তৌইগুম্বসুং অমেরিকান ওফিসলশিংনদি ষ্ট্রাইক অদুদা মিলিটেন্টশিংদমক শিখি হায়খি।

ইস্লামিক ষ্টেট অমসুং অফঘানিষ্টানগী খ্বাইদগী চাউবা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট গ্রুপ টালিবান অনীমক্কী মায়োক্তা কেম্পেইন কনখৎপগী শরুক ওইনা য়ু এস এয়র ফোর্সনা জুলাই থা লোইবা ফাওবা লৈবাক অসিদা খুৎলাই (বোম) ২,০০০ রোম থাদখ্রে। হৌখিবা চহী অপূম্বদা থাদখিবা খুৎলাই মশিংদি ১,৪০০ য়ৌখিদবনি।

অফঘান অমসুং অমেরিকান স্পেসল ওপরেসনগী ট্রুপশিংনা লানফমশিংদা মায় পাকপা খরা লৈখ্রবসু ইস্লামিক ষ্টেটনা অফঘানিষ্টানগী মফম কয়াদা শাথিরবা এটেকশিং তোইনা চথদুনা লৈরি। ফিভম অসিনা গ্রুপ অসিনা মিদ্দল ইষ্টতা শোক্লরিবা লালবু সেন্ট্রেল এসিয়াদা পুরক্লবা হোৎনরিবরা হায়বগী অকিবা পোকহল্লে হায়রি।

# ইন্দোনেসিয়াদা য়ুহা হাখ্রে

জাকার্টা, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী) :
ঙসি ইন্দোনেসিয়াগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা সুমাত্রা য়ুহা হাবা অমনা নিকহনখ্রে। মেগনিট্যুদ ৬.৪ য়ৌবা য়ুহা হাবা অদুনা লাপ্পা লৈবা সিঙ্গাপোর অমসুং মালেসিয়াগী মফম কয়াসু নিকহনখি হায়রি।

ইন্দোনেসিয়াগী সাইজমো-লোজিকেল এজেন্সী বি এম কে জিনা হায়খি, য়ুহা হাবা অদুগী প্রিলিমিনরি মেগনিট্যুদ অদু ৬.৫ ওইখি, তৌইগুম্বসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস জিওলোজিকেল সর্ভে (য়ু এস জি এস) নদি অহানবগী মেগনিট্যুদ অদু খরা নেম্না ৬.৪ ওইহনখি।

লোকল মীদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, য়ুহা হাবা অদু বেংকুলুগী নোংচুপতা কিলোমিটর ৭৩ লাপ্পা অমসুং কিলোমিটর ৩৬ লুথনা থোকখি। অদুম ওইনমক য়ুহা হাবা অদুদা খুদক্কী ওইনা মীশি মীনা অমসুং অমাঙ-অতা থোকপগী পাউ লৈখিদে অমসুং সুনামি ৱার্নিংসু ইসূ তৌখিদে।

মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা অর্কিপেলাগো ওইরিবা ইন্দোনেসিয়া অসি পেসিফিক রিং ওফ ফায়রদা লৈবা মরম্না য়ুহা হাবা তোইনা থোক্কল্লি। রিং অসি পেসিফিক বেসিনগী মৈগী চীংশিং অমসুং ফোল্টলাইনশিংগী অর্ক অমনি।

# সাউদি অরাবিয়ানা হজ চৎপা মীওই মিলিয়ন অনী থুংলগনি হায়না পারি

রিয়াধ, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী) :
কুমশিংগী হজগী মতমদা সাউদি অরাবিয়াদা মীরৈবাক মচা মিলিয়ন ১.৭ য়াওনা লাইফম কোইবা মীওই মিলিয়ন অনীরোম লাকপা য়াই হায়না লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা পারি হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



হৌখিবা চহীদা মীওই মিলিয়ন ১.৮ হেনবনা হজ পাঙথোকখি অমসুং মখোয় অয়াম্বা মীরৈবাক মচাশিং ওইখি হায়না সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীনা ফোঙদোকখি।

হজগা মরী লৈনবা থবকশিং ভো-লন্টিয়রশিংনা পানবগীদমক্তা হজ মিনিষ্ট্রিনা ইমপ্লোয়ী ৯৫,০০০ হেন্না এসাইন তৌরগনি হায়না সিনহুৱাগী পাউনা হায়খি।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা লাইফম কোইবদা শরুক য়ারিবা খূদিংমক লৌনগনবা লায়না চেনবা অমৎতা য়াওদ্রি।

লায়না শন্দোকপা থিংনবা মখোয়না তঙাইফদবা অমা ওইনা লায়না থিংনবগী পোলিসিশিং পায়খৎলি অমসুং ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন অমসুং ইন্টরনেস্নেল ওথোরিটিশিংগা কোওর্দিনেসন তৌনরি হায়না মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

হজগা মরী লৈননা দোলর মিলিয়ন ৩.৩ গী মেদিকেল্ল ফেসিলিটিশিং অমসুং সর্ভিসশিং শীজিন্নগনি হায়নসু মিনিষ্ট্রি অসিনা লাউথোকখ্রে।

# নোর্থ কোরিয়ন মিলিয়ন ৩.৫ না য়ু এসকা লান্থেংনগনি হায়না মশা মশাগী অয়াবা পীখ্রে



পিয়োংয়াং, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী) :
নোর্থ কোরিয়াগী সিটিজন মিলিয়ন ৩.৫ না য়ু এসকা লান্থেংননবা আর্মিদা য়াওবদা মশা মশাগী অয়াবা পীখ্রে। ৱাশিংটন অমসুং পিয়োংয়াংগী মরক্তা লেপ্তুনা টেন্সন হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা ফিভম অসি লাকখিবনি হায়না ষ্টেট মীদিয়ানা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

রোদোং সিনমুন পাউচেনা থাংজ নুমিৎতা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়াগী রেজিমনা ওগষ্ট ৭ তা অনৌবা য়ু এনগী অথিংবশিংগী মায়োক্তা লমন খুম্বগী খোঙথাং লৌখৎকনি হায়না লাউথোকখিবদগী নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা মহৈরোয়শিং, নহা ওইরিবা ৱার্করশিং অমসুং থবক্তগী পোথারবা লান্মীশিং পূন্না নোর্থ কোরিয়ন মিলিয়ন ৩.৪৭ তা আর্মদ ফোর্সশিংদা চঙনবা হায়খি হায়না ইফে ন্যুজনা ফোঙদোকখি।

য়ু এসকী মায়োক্তা লীশিংলক হন্না লমন খুম্নবা লৈবাক শিন-থুংবগী মীওই খূদিংমক চোংথোরক্লে হায়না পাউচে অদুনা হায়খি। নোর্থ কোরিয়াগী মীশিং মিলিয়ন ২৫ মেম্বর ৭০০,০০০ অমসুং মিলিয়ন ১.৩ গী মরক্তা ওইবা আর্মিগা লোয়ননা লৈ। নোর্থ কোরিয়ন ষ্টেট মীদিয়ানা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পিয়োংয়াংগী কিম ইল-সুং স্কৱার ফাওরগা চৎলিবা সিটিজন লীশিং কয়াগী শক্তমশিং উৎখি। মখোয়না লীদর কিম জোং উনবু শৌগৎপা অমসুং মিসাইল কয়া চাংয়েং তৌবগীদমক্তা পনিসমেন্ট পীবা ওইনা থল্লকখিবা খ্বাইদগী নৌবা য়ু এনগী সেঙ্কসনশিং অদুবু কন্দেম তৌবা বেন্নর কয়া উৎখি।

ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সী কে সি এন এনা শগোলশেন নুমিৎ অমসুং ইরাই নুমিৎতা লৈবাক শিন-থুংনা অসিগুম্বা মোবিলাইজেসনশিংগী পাউদমশিং ফোংখি।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা চয়োল অসিদা নোর্থ কোরিয়াদা চেকশিনৱা পীরদুনা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা কিম জোং উনগী রেজিমনা য়ু এস অমসুং মসিগী মীচংশিংদা অকিবা পোকহনবা লেপত্রবদি মালেমনা অমুক্তা উখিদ্রিবা মওংদা মৈ অমসুং অশাওবগা লোয়ননা পাউখুম পীগনি।

# য়ু এসকী মায়োক্তা ইরানগী এম পিশিংনা মিসাইল ফন্দ হেনগৎহনখ্রে



টেহরান, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী) :
ইরানগী মিসাইল প্রোগ্রাম অমসুং এলিট রেভলুস্নরি গার্দশিংনা মপান্দা ওপরেসন কয়া পাঙথোক্লবগীদমক লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফন্দিং ওইনা দোলর বিলিয়ন তঙ্খাই অমা হেন্না অয়াবা পীখ্রে। য়ু এসকী সেঙ্কসনশিংগী পাউখুম ওইনা ইরানগী পার্লিয়ামেন্টনা শেনফম অদু এপ্রুভ তৌখিবনি।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইস্লামিক রিপব্লিক অসিদা অকনবা মীৎয়েং চঙগনি হায়রদুনা হৌখিবা জানুৱারীদা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী টেহরান অমসুং ৱাশিংটনগী মরক্তা টেন্সন হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি। টেররিষ্ট অমসুং লমদম অদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পায়খৎলিবা এদভেঞ্চরিষ্ট এক্সনশিং থেংননবগী পেকেজ অদু পূন্নমক্না শৌগৎলি হায়না লাউথোক্লবা মতুংদা পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকর অলি লাজিরানিনা হায়খি, 'মসি ঐখোয়গী অহানবা এক্সননি হায়বসি অমেরিকানশিংনা খঙগদবনি।

রিজল্টতু লাউথোক্লবা মতুংদা লোমেকরশিংনা 'দেথ টু অমেরিকা' হায়না লাউখি। তিনখিবা পার্লিয়ামেন্টরিয়ন ২৪৪ গী মনুংদা পূন্না ২৪০ না বিল অদুবু শৌগৎতুনা ভোট পীখি।

খোঙথাং অদুনা গভর্নমেন্টতা মিসাইল প্রোগ্রাম মখা তানা খুমাং চাওশিন্নবা অহেনবা দোলর মিলিয়ন ২৬০ গী শেনফম অমসুং মান্নবা শেনফম অমনা রেভলুস্নরি গার্দশিংগী ফোরন ওপরেসন ৱিং, কুদস ফোর্সকীদমক কাইথোকপা য়াহনখি হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সীনা ফোঙদোকখি।

কুদস ফোর্সনা সিরিয়া অমসুং ইরাকতা ইরাননা পায়খৎলিবা মিলিটরি রোলদা মাঙজিল থারিবনি।

য়ু এসনা হৌখিবা জুলাইদা ইরানগী মিসাইল প্রোগ্রামদা টার্গেট তৌদুনা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা অনৌবা অথিংবা কয়া থমখিবা মতুংদা পার্লিয়ামেন্টতা ফন্দগীদমক ভোট অসি পাঙথোকখিবনি।

টেহরাননা হায়রি মদুদি, অনৌবা সেঙ্কসনশিং অদুনা ইরানগা মালেমগী পৱারশিংগা ২০১৫ দা সাইন তৌনখিবা দীল অমা খোঙ্গাওনৈ।

নোংমাইজিং নুমিৎতা পাস তৌরিবা বিল অসি গভর্নমেন্টনা শৌগৎলি হায়না ইরানগী ডেপ্যুটি ফোরন মিনিষ্টর অব্বাস অরাখাচিনা ফোঙদোকখি।